HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ওনকোলোজি রেদিয়সননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রোজ দে থৌরমগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিদা লায়েংদুনা লৈরিবা অনাবশিংদা অথুম অহাউ অমদি রোজ খুদোল তমখিবা

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা ১০ বেদেদ ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুস হোস্পিটালনা শীল্লগা হোস্পিটাল অসিদা পাঙথোকখিবা পোশন মাহগী থৌরম

Celebration of
POSHAN MAAH, 1ST-30TH SEPTEMBER 2020
Jointly Organized by
লামায় ১

বিষ্ণুপুর পুলিস অমদি ২১ সেক্টর আই জি এ আরগী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী খৌপুম বট্টালিয়নগী অপূনবা টিম অমনা মীওই অনীগা কোন্নগা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূশিং অমদি বোমশিং ফাগৎখিবা

মমতাজ মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা শীল্লগা সগোলবন্দ খম্নাম বাজার সোয়াম লৈরক্তা লৈবা সোয়াম চন্দ্রমনিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা খোঙজোম পর্বা ফেষ্টিবেল

2nd FESTIVAL OF KHONGJOM PARVA
22nd September, 2020
লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.178 য়ুমশকৈশা, মেরাগী ৭ নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, September 23, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস) : নিংথেমচা কারোংদগী কোঞ্জেং লৈকায় ফাওবদা লাইন শেম্বগী থবক চথুগদবা মরম্না মোংশাঙ্গৈ সব ষ্টেসনদগী মৈ পীরিবা ১১ কে ভী নম্বুল ফিদর অসি সেপ্টেম্বর ২৩গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা সটডাউন তৌজগনি। মরম অসিনা ১১ কে ভী নম্বুল ফিদরনা মৈ ফংহল্লিবা মোংশাঙ্গৈ, হৈরাঙ্গোইথোং, হাওবম মরক, পিসুমথোং অমদি খাগেমপল্লি পন্থক্তগী কৈশামথোং ফাওবদা লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এলগী আই ঈ দি ১গী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর অসিনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা ইরোইশেম্বা সব ষ্টেসনদা ১১ কে ভী পেনেল অমা নৌনা ইনষ্টোল তৌগদবনা ষ্টেসন অসি সেপ্টেম্বর ২৩গী অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা সট দাউন তৌগনি। সব ষ্টেসন অসিনা মৈ পীরিবা ফিদরশিংগী কঞ্জ্যুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস) : দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইনা থৌ পুরম্বা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী থৌদাম থম্বালনা লৈখিদবদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল অমদি ওজাশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল অমদি ওজাশিংনা শরুক য়ারগা ঙসি অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা ইংনা চীক্না লৈরুনবা থৌনিজখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল ডা. সী ঐচ শিল্লারমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: Covid-19 positive oibadagi Covid Care Centre da numit 10ni leiraklaba meeoising test toudrabasu yumda hanba yaragani hairibasi yaningbara?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State asigi Covid Care Centre singda chathariba layeng pathap asi leingakna semba expert committeena ningthina yengsilli khanbra?

Yes 8% No 92%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৪২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.১৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৩.৫৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- মখোয় পাবুং ভোৎ লেপ্পা অসে তোকপিরো! লৈবাক্কী অফবসু অমত্তা তৌদে।

[illegible]



- লৈবাক্কী ফনবা ভোৎ লেপ্পে ঐদি, ভাব তাউ।

[illegible]

সী এম বিরেন বি জে পিগী নেসনল ভী পি বাইজায়ন্ট পান্দাগা ইম্ফালদা লাকমিন্নখ্রে

মিনিষ্টর রিসফল অথুবদা তৌগদৌরব্রা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদাগা ঙরাং উনরুরবা মতুং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং স্পোক্সপার্সন বাইজায়ন্ট পান্দাগা পুন্না দিল্লিদগী ঙসি ইম্ফালদা লাকমিন্নখ্রে।

চীফ মনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট বাইজায়ন্ট পান্দাগা লোয়ননা ইম্ফালদা থুংলরবা মতুং ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং অথুবদা রিসফল তৌরগদ্রা হায়বগী ৱাফম কয়া মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী হাঙদুনা সিটশিং মেনশিন্নবগীদমক লাক্লিবা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা মরক্কী মীখল মাঙওইননা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং রিসফল তৌবা য়ানা লৈ। ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ নত্তনা বি জে পিগী মিনিষ্টর মরি লৈরি। মিনিষ্টর মরি অদুদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. টি ঐচ রাধেশ্যাম, সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভী হংখালিয়াননি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মরক্কী মীখলগী মাঙওইননা অথুবা মতমগী মনুংদা মিনিষ্টর রিসফল তৌরক্লবদি য়ামদ্রবদা মিনিষ্টর অহুমদি শিন্দোক শিঞ্জিন তৌগদৌরি। অদুবু করম করম্বা মিনিষ্টর শিন্দোক শিঞ্জিন তৌগদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু মিনিষ্টর রিসফল তৌগদবা ওইরবদি মিনিষ্টর খরা পার্টি লিদরশিংগী পাউতাক মতুংইন্না রিজাইন তৌরকপা য়াই। মিনিষ্টরশিং অসি রিজাইন তৌরবা মতুংদা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখিবদা নত্তনা এম এল ওইবদগী রিজাইন তৌরগা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মীওই খরদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

টেষ্ট তৌদ্রবসু নুমীৎ ১০নিবু শুরবদি ময়ূমদা হনবা য়ারে হায়বগী ৱাহৌদগী সী সী সীদা ইরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী অনৌবা প্রোটোকোল অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরকপা নুমিৎ তরানি শুরবদি ময়ূমদা হনবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরকখিবদগী কোভিদ ক্যের সেন্টর লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈরিবা মীওইশিংগা সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট টিমগা উংখৎনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি য়েংশিল্লিবা মীওইশিংনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী অনৌবা প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ক্বারন্টিন সেন্টরদা নুমীৎ ১০ শুনা লৈরক্লবা লাইওং উৎথোক্তবা মীওইশিং টেষ্ট তৌদ্রবসু য়ুমদা হনবা য়ারগনি হায়রকখিবদগী থোকখিবনি। অদুবু সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়ুমদা হনবা তারবসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইরে হায়বগী সর্টিফিকেট পীরবা মতুংদা হনগনি হায়দুনা ইরাং হৌরকখিবনি। কায়নথংদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট টিমনা ওগষ্ট থাদগী লৈরকপা মীওই ৭৫ রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট তৌবদা পুম্নমক নেগেটিব ওইরম্বদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি। নেগেটিভ ওইরক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অয়াম্বা ময়ুমদা হন্নখ্রে। অথাপ্পা মফমদগী লাক্লুনা লৈবা মীওই খরদি ঙসি ময়ূমদা হনবদা খুদোংচাদবা লৈবনা হয়েং হল্লগনি হায়রি।

লৈঙাক্না দব্লিয়ু ঐচ ওগী অনৌবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না পায়খৎলকপা থৌরাংগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট তৌদুনা ময়ূম-ময়ূমদা হন্নবা হোৎনরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওই খরনা ফোঙদোরকখি। নীংশিংবা য়াবদি লম্বোইখোংনাংখোংদা হাংলিবা ষ্টেট কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিদা লৈরম্বা মীওই কয়ানা চাবা-থকপা, হীদাক-লাংথক মরাং কায়না পীবিদে অমদি সেন্টর অসি কা হেন্না মোৎলে হায়না পাউচেগী থোঙদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু মমাংগা য়েংনরুরবদি সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট টিম্না তঙাইফদবা হীদাক-লাংথকশিং মতম নাইনা পীবা হৌরে হায়নসু মীওই খরনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফিভমশিংবু কুপ্পা য়েংশিল্লিবা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না দব্লিয়ু ঐচ ওগী অনৌবা প্রোটোকোল অসি ক্বারন্টিন সেন্টরদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্নবা ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : রাজ্যা সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্নবা ৱাফম পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ঙসি পুখৎখ্রে।

মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্নবা ৱাফম পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুখৎলদুনা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মোর্দন ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ অমবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্নবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা পীবা ক্রাইটেরিয়া মরি লৈরি। হৌজিকফাওবদা লৈবাক অসিগী লোল তরুক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা ক্রাইটেরিয়াশিং অসি শুবনা মরম ওইরগা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা লৈবা ঙম্লি। মণিপুরী লোলসু ইন্দিয়া গভর্ণন্টেনা পীরিবা ক্রাইটেরিয়াশিং অসি মপুঙ ফানা শুরি। হৌজিকফাওবদা সিনো-টিবেটনগী লোলশিং মরুওইনা টিবেটো-বর্মনগী লোলশিংবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্বীনবা হোৎনদ্রি। অদুমকপু লোলশিং অসি ইন্দিয়াগী মেজর লেংগ্বেজশিংদি ওইরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লোল অমবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা থম্বগা মরী লৈননা মথৌ তাবা ক্রাইটেরিয়াশিং অদু মণিপুরী লোলগীসু শুনা লৈ। মথৌ তাবা মচাক মথুম খুদিংমকসু লৈরে। মরম অদুনা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা থম্নবা ওগষ্ট হাউসকী পুক্নীং চিংশিঞ্জরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগা মরী লৈনবা লুপশিং য়াওনা মীওই কয়ানা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎপিনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনখিবসু লৈখ্রবনি। লোয়ননা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎনবা তকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু মশক নাইরবা মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখ্রবনি।

পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ২৭০ থেংনখ্রে, মীওই ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পাক্তক্লনা শন্দোরকপগা লোয়ননা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ২৭০ থেংনখ্রে, মীওই ১ লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ১২৯ অমসুং নুপী ৮৫ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২১৪ অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পার্সনেল ৫৬ পুন্না মীওই ২৭০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসকী ভী আর দি এলদা ১৭, জেনিমসকী ভী আর দি এলদা ৫৮, স্বিস ক্লিনিকতা ১, রাজ মেদিসিটিদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১০, কামজোংদা ১, ইম্ফাল ইষ্ট আর এ টিদা ৬, মাদর্স ক্যেরদা ২, আর দি ৱিংদা ১, সেনাপটিদা ১, তমেংলোংদা ৪, থৌবালদা ২৪, চান্দেলদা ১, চুরাচান্দপুরদা ৫, বিষ্ণুপুরদা ৬, ককচিংদা ৬, আই আর এলদা ১, জিবন হোস্পিটালদা ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ২১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৫, রিমস আর এ টিদা ৭ অমসুং জেনিমসতা ৭৩ নি। মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৫৪, ইম্ফাল ইষ্টগী ১০০, থৌবালদগী ২৯, তেংনৌপলদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ৬, ককচিংদগী ৭, চান্দেলদগী ৩, কাংপোকপীদগী ১, চুরাচান্দপুরদগী ৫, কামজোংদগী ১, সেনাপতিদগী ১ অমসুং তমেংলোংদগী ৪নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মনুংদা য়াওরিবা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ৫ পুন্না ৯ দি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপনি। অদুগা মীওই ২০৫না মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা মীওইশিংনি। পোজিটিব ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা লায়েংখিবগা লোয়ননা কন্তেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং চথুবা হৌখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৮২ শুরবা মীওই অমসু কোভিদ-১৯না

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কেন্সরনা নারবশিংদা অথুম অহাউ অমদি রোজ খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী দিপার্টমেন্ট ওফ ওনকোলোজি রেদিয়সননা শিন্দুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী কনফরেন্স হোলদা ৱর্ল্ড রোজ দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা হোস্পিটাল অসিদা লায়েংদুনা লৈরিবা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংদা অথুম অহাউ অমদি রোজশিং খুদোল তমখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ সান্তা, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমার রিমসকী ওনকোলোজি রেদিএসন দিপার্টমেন্টকী ডা. ধনেশ্বর শর্ম্মা অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী প্রোফেসরশিং, পি জি মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা হোস্পিটাল অসিদা লৈরিবা কেন্সর পেসেন্টশিংদসু অথুম অহাউ অমদি রোজশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টরগা দোক্তরশিং, নর্সশিং অমদি ষ্টাফশিংগা ৱারী শানবদা দোক্তরগী শিনফম অসিবু মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ডা. আর কে রঞ্জননা জিরিবাম-ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্বগী থবক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়না হংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লদা হৌজিকফাওবদা পায়খৎলিবা কিলোমিটর ১১০ শাংবা জিরিবাম-ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্বগী থবক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়না হংখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী দিসেম্বরদা লোইশিনবগী পান্দম লৈরিবা প্রোজেক্ট অদু মতম য়ৈথোকখ্রবরা হায়বা খঙহল্লক্লবা মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে।

এম পি রঞ্জনগী অনষ্টার ৱাহং অদুগী অইবা পাউখুমদা রেলৱে মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, জিরিবাম-ইম্ফাল (কিলোমিটর ১১০.৬২৫) ন্যু লাইন প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০০৩-০৪ চহীগী বজেটতা য়াওখি। প্রোজেক্ট অসিগী খ্বাইদগী নৌবা কোষ্ট লুপা ক্রোর ১২,২৬৪ ওইগনি হায়না পাখি। চহী অসিগী মার্চ ফাওবদা প্রোজেক্ট অসিগী থবক্তা লুপা ক্রোর ১০,০৮৯ চাদিং তৌখ্রে অমসুং কুমজা ২০২০-২১গী শেনবা চহীদা লুপা ক্রোর ৮০০গী শেনফম অমা প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা হাপ্লে। জিরিবামদগী বঙ্গাই চুংপাউ ফাওবা কিলোমিটর ১২ ফাওবগী রেলৱে মতেক অসি মপুঙ ফানা লোইশিনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৭কী মার্চতা কম্মিসন তৌখি অমসুং মদুগী মতুং তারকপদা ৱাৎলিবা শরুকশিংগী থবক পায়খৎখি।

রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চন্না পুন্না টনেল ৪৭ লৈগদবদগী মনুংদা হৌজিকফাওবদা টনেল ৪৬ হুৎপগী থবক মপুঙ ফানা লোইশিল্লে। কুমজা ২০০৯-১৪ মনুংদা কিলোমিটর ৪৭.৪০গী টনেল হুৎপগী থবক পাঙথোকখি। প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চনবা মরুওইবা থোং ১১গী মনুংদা ৫, মাইনর থোং ১২৮গী মনুংদা ১০৮, রোদ ওভর ব্রিদজ মঙাগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

‘মমা ওইবীশিংগী হকচাং ফনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মমা ওইবীশিংগী হকচাং ফনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা আয়ুস হোস্পিটালনা শীল্লগা ঙসি পাঙথোকখিবা পোশন মাহ থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ঐখোয় খুদিংমক মমাশিংগী মচা ঙাক্তনি। মমা ওইবীশিংনা মচি ওইবা চীঙ্গাক চারবা মতমদতা মশা মউ ফবা মচা পুথোক্কদৌরিবনি। মদুনা খুন্নাই অসিবুসু অফবা খুন্নাই হায়বদু ওইহনগদৌরিবনি। মমা ওইবীশিং অমদি অঙাংশিংগী হকশেল অমদি মখোয়বু মচি ওইবা চাহন্নবা য়েংশিনবগী থবক্তসু সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। পোসনমা থৌরম অসি মমা ওইবীশিংগী হকশেলবু ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরম্নি। থৌরমখক পাঙথোকপনা পোসনমাগী পান্দম অসি ফংবা ঙম্লোই মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্না মতেং পাংনরবা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নরবদতা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

খুগা তমপাক্তা য়ুম মৈ থাগে তৌবদগী কর্ফিয়ু থমখ্রে

রঞ্জন মীহাৎতা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ৭.৫০ রোম তারকপদা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুগা তম্পাক (জোভেং) দা লৈবা কে: মোমেন অপোকপা কে: অচৌবা কৌবা মীওই অমগী য়ুম খোয়শাউনরবা মীয়াম্না থুদোক্লগা মৈ থানবা হোৎনরকপদগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, চুরাচান্দপুরনা মফম অসিদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা

কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

অথিংবা অসিগী মতুংইন্না খুগা তমপাক্তা লৈবা মীওইশিংনা মশাগী য়ুমশিংদগী থোরকপা অমসুং চথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই হায়রি। মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্লিবা ফাওবা খুগা তমপাক অপূনবদা চৎনগদবা অথিংবা অসি থুগাইরকপশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসি মীয়াম্না মৈ থানবা হোৎনরম্বা য়ুম অদু চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা এ টি এম বুটশিংদা শেল হাপ্পবগীদমক লাকখিবশিংগী মনুংদা অরাম্বম রঞ্জন কৌবা মীওই অমা হাৎলগা লুপা ক্রোর ১.১৫ লাকখীবা থৌদোক্তা চেন্নবা মরুওইবা এক্যুইজ অমগীনি। মীওই অসিগী য়ুম মৈ থানবা হোৎনরকপদা মফমদুগী মীতৈ য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং অমসুং পুলিসনা মতম চানা অথিংবা পীখি হায়রি।

অমরোমদা, এস বি আইগী এ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।

শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।

করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80% Only.

For details, Please contact
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

HL-B/6330/26th aug to 25th sept

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫